ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯰꯱, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯵꯶ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, সেপ্টেম্বর ০১, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১৫৬শুবা মশীং

# এস টি লিষ্টতা চনবগী দিমান্দ
## ঈশিং মনুংদা লৈতুম থাদবদৌনা লৈবদি চুম্ব্রা

মীতৈ/মৈতৈবু লৈবাকসিগী সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহল্লু, চলহনগদবনি, লিষ্ট অসিদা চলহন্নবগীদমক ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎতুনা চলহন্নবা হোৎনৌ হায়দুনা তাল্লিবা দিমান্দসি কুইরক্লে। কুমজা ২০১৭কী মার্চ ১৫দগী বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লৈরক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা লৈরম্বা কোংগ্রেসকী লৈঙাক লৈরিঙৈ মতমদগী তানবা হৌরক্লবনি। হৌজিক বি জে পিনা লুচিংবা অনীশুবা লৈঙাক অমুক হন্না লিংলক্লবা মতুং ফাওবদদি দিমান্দসিগী মরাইবক তম্বা ঙমদ্রি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা দিমান্দসি ফংনবগীদমক লৌখৎফম থোকপা থবক হায়বদি মরী লৈনবা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রিদা রেক্কমেন্দেসন থাদ্রি। থানবগী থবকসু পায়খৎত্রি। ইশম-শম্বদা মণিপুর লৈঙাক ঈশিং মনুংদা লৈতুম থাদবদৌনা চুপ লুপ্তুনা লৈরি। অসিগুম্বা লৈঙাক্লা দিমান্দ অসিবু ঙানি-ঈশিংনি লৈখাই তাথোক্তুনা নমশিন্দুনা থম্বদি অচুম্বা ফীভম ওইরোই। য়ানি, তক্লগে, হায়নগে, মিনিষ্ট্রিনা পীখৎলকউ হায়রকপা রিপোর্টশিংদু পীখৎলগে হায়রগনা হায়রো। য়ারোই, তক্লফম-হায়নফম থোক্তে, রিপোর্ট পীখৎপা য়ারোই হায়রগনা মদুগী মরমশিং লৈবাক মীয়ামদা ইফোং-ফোংনা হায়রো। দিমান্দসিবু মাঙজিল থানা তাল্লিবা লূপশিংদসু হায়রো। য়ানিসু হায়দবা/য়ারোইসু হায়দনা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা লিংবা লৈঙাক্লা নূঙগী শক্তমগুম্না তাদনা, য়েংদনা অমসুং মচি লেঙদনা লৈথোকপদি অচুম্বা ওইগদ্রা?

হৌজিক ফাওবগী ওইনা মণিপুরগী মীয়াম্না ময়েক শেংনা খঙবা ময়াম লৈ। মদুদি মণিপুর মীয়ামগীনি হায়দুনা মীয়াম্না তানবা দিমান্দদা ইবুংঙো-ইবেম্মা হায়দুনা নীংথিজনা হায়নরিঙৈদা হরাও-হরাও পীরকপা করম্বা দিমান্দ য়াওখ্রবগে? দিমান্দ পূম্নমক লোইনা কোথোক্লুদ্রবসু অদুঙৈ ষ্টেটহুদকী দিমান্দদগী হৌরগা মীতৈলোলনা ৮শুবা সেদ্যুলদা চনবা, ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম চৎনহল্লকখিবা ফাওবদা করম্না তাল্লগা মতৌ করম্না পীরকখিবনো হায়বসি মণিপুরগী মীয়াম্না শিৎ-নান্না খঙই। নাগালেন্দগী লালহৌলূপ অমগা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কগী মরক্তা খূৎ থানদবগী লমখৈদা অরেপ্পা লৈহন্দবগী য়ান্নবা থন্নকখিবদদা মীওই কয়াগীনো পুন্সি মাঙখ্রিবদো? উৎ ওনখিবনা করম করম্বা মফমনো? হায়বদি মণিপুরগী মীয়াম্না মখোয়গীনি হায়বা দিমান্দ অমত্তং তাল্লকপদা মৈরিকপীদগী মৈজাওবী ওল্লক্তুনা তুম্নবা চাক্ত্রিবা ফাওবা পীদবা, ফংদবগী ফীভমদা অদুম্মক লৈরকই। অদুগা ফংলবা মতমদনা ফংখিবা নুমিত্তুগী নীংশিং থৌরম পাঙথোরকপদা লৈঙাক্লোইশিং চোঙশিন্দুনা মাঙ থারগা শরুক য়ারকই। ষ্টেটকী থাক্তা ফাওবা নীংশিং থৌরম পাঙথোরকই। দিমান্দ ফংননবা তানবদা মখল কয়াগী চৈথেং মায়োক্নখিবা মীওইশিংগী মথৌনা মরিংজেল পুথোক্তুনা শীংথারকই, তৌবিমল খঙবা উৎলকই। থৌদোকসিমক হন্দক পাঙথোকখিবা মণিপুরী লোলনা লৈবাকসিগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চল্লকখিবগী ৩১শুবা নীংশিং কুমওন থৌরমদা থোকখি। অদুবু হৌখিবনা হৌখ্রসনু। হৌজিক মাঙদা ফোং-ফোং শানা তারিবা মীতৈ/মৈতৈনা সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা চনবগী মতাংসিদা ষ্টেট লৈঙাক্কী করি ফিরেপ লৈরবগে? মমাঙথক্তা দিমান্দশিং তানবদা মোংফম য়ৌদুনা লৈগী দোলাই তোংনবা য়াওখিবদৌনা য়াওরকপা ঙাইরিব্রা? চপ চাবা পাউখুম অমা পীয়ু। মীতৈ/মৈতৈনা এস টি লিষ্টতা চনফম থোকই হায়বসু লৈনি। লৈবদগী দিমান্দসি তাল্লক্লিবনি। ফংননবা খোঙজংশিং চঙশিল্লক্লিবনি। চন্দ্রবসু য়াই, চনফম থোক্তে হায়বসু মীওইবগী হকচাংদা, খূৎ য়েৎ অমসুং ওই হায়দুনা অনী থোক্লা লৈবগুম লৈবা হৌনবনি। অদুবু অরোইবা ৱারেপতি লৈঙাক্লা লেপকদবনি। অতোপ্পা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা লৈরিবা ফুরুপশিংগা মীতৈ/মৈতৈগগী মরক্তা মান্নদবা/খেন্নবসু লৈগনি। লম-লমদুগী ওইবা থৌশিলদসু মান্নরোই। অদুবু হৌজিক মীতৈ/মৈতৈনা মরমদম মণিপুরদা ওইরিবা ফীভমসিদদি লৈবাকসিগী এস টি লিষ্টতা চলহৌবগী তঙাইফদবশিং লৈরে হায়বসিমদি অয়াম্বা মীয়ামগী অপাম্বা ওইরবনি হায়বসি খঙবা চুমগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৯

১) **“লাইথি জাগোয়গী চীন্থাং ৱারী”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ওরিজিনেল করি লোলদা ইবদগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

২) **“মেনকাগী মচানুপী”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো ?

৩) **“নিতি লীলা দিবারাস”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৪) **“পুন্সি অমসুং তিংখং”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) **“অশংবা চীংমায়শিং/অমুবা ফিজোল হোংদোকখ্রবদা/কায়রক্লে ঋতুগী খোঙচৎ/ঈচেল লেপখ্রে তুরেলশিং/চেল্লক্লে লৈক্রক্কী ঈচেল”** শৈরেং অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৭কী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (১,৪)
২) হৈস্নাম মাইকেল, শীংজমৈ চীংঙামখা নিংথৌজম লৈকায় - (২)
৩) থোংগ্রাম রোমেন মৈতৈ, কৈরক তোমাল মখোঙ - (২)
৪) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪)
৫) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,৪)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৪৮গী ৱিন্নর*

***অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৪৮গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

# ইপুদা ইজবা চিঠি -৪

**চাইথোরকপা ৱাখল**

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

নুংশিজরবা ইপুখোয়,

কুম অসিগী ওইনদি ঙসিগী চিঠি অসিনা অরোইবনি ইপুখোয়। তম্নীংঙাই-লীনীংঙাই ৱারীদি কোকথোং অমনি। অদুবু মদু লোইনা ইপুখোয়দা লীবা ঙমজদ্রে। লমদম অসিদা ইপু হায়নীংই হায়দুনা হায়বা য়াদবা, ফোঙদোক্লীংই হায়দুনা ফোঙদোকপা য়াদবা য়াম্না লৈ। কৈসু কি মথীসু কি হায়বদু লমদম অসিগী মীয়ামগী ৱাখলদা লোইনা লৈনৈ। ইপুখোয়না থুংলবগা লৈঙাক্কী ওইবা লেজিসলেটিভ মীফম অমা ফম্বা লোইশিনখ্রে। হন্দক্কী মীফম অদু য়াম্না নুংঙাইখি, ৪৫গা ৫ য়ৈখাইনবনিবু হায়নৈ মীয়াম্না। নুমিৎ খুদিংগী ৱাতাদি ফজরগা, য়ৈখাইরকপা, থাদরকপসি অঙকপনি। মদু ঙাকথোক ঙাকশিন অমদি খুমদোক খুমজিনগী হৈশিংবা উথোক্লখি। মনুংদদি পোখায়বা য়াবা ৱা ময়াম অমা ফজবা ৱাহৈনা য়োম্মগা লংশিন্নরকপবু, অমুক্তোইবা মৈ হৌই হায় তায়ে ইপুখোয়। য়ামখ্রবা মণিপুর মীয়ামগী মীহুৎ ওইদুনা লৈবাক্কী তুংলমচৎকী অমদি হৌজিক হৌজিক্কী ওইবা ৱাফম ময়াম অমা নৈনদুনা চহীগী শেনবাগী বিল পাস তৌবদুদা মচেক্লা য়ৈরগা ময়ানা ফূধনখিবদু তাবা ফনা নুংঙাইখি এসেমব্লি হায়সিদি ইপু, দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদদি য়াম্না ফজখ্রবা সিষ্টম অমনি। মফম অসিদা লোইনা ময়াম চঙদুনা নৈনরগা মীয়ামগী য়াইফনবা কাঙলোন কয়া পাস তৌদৌরিনি। মদুনা লৈবাক্কী অমদি মীয়ামগী লাইবক লেপকদৌরিবনি। লুখ্রবা লো শেমফম/শাফম অমনি। হন্দক্কীদু ইপুখোয়, তাবদদি নুংঙাইরগা, মশা মশাগী হৈশিংবা উৎথোক্লবা ৱাতা রোমদসু অমুক লাকই। মীয়ামগী ৱা ওইনা পুথোক্লগা পেন্নদবা মথী ফোংনবগী ৱাতা ওইনসু হেক হেক লাকই। ৱাহৈবুদি নাল্লগা থোরক্লিবা খোম্থোক অদুদা খরা মুক্লবা মানবগসু য়াওই। শাওগনবা মানবগী খোঞ্জেলসু মরক্তুদা য়াওশিল্লক্লিবনি। লৈবাক মীয়াম্না মখোয়গী ৱাফম কয়া অদু তাগদগী ঙাইনৈ। মফমদুদা অফবা কাঙলোনশিংগীদমক পুথোক্লদুনা নৈনরুচো হায়না থাগৎনরক্লিবনি। মীয়াম তারি হায়বা কাউথোক্লদুনা মরন্নাই তাগে তৌনা ঙাঙনবগসু য়াওরি। নুংঙাইরিবদি, নৈনরুচো থাগৎখিবা ময়াম অমা মচিন কাঙখিদে। খোঞ্জেল অমা ফাওবা থোকখিদে। মদুনা করিগীনো খঙদে। দিবেট ময়াম অমা তৌনবদু দেমোক্রেসিগী নোর্ম ঙাক্তুনা নৈনবদা শুংয়াও য়াওখিদে। হৌখিবদসু শাংলবা চহী মঙাদু ৱাহৈ মঙা তরাদগী হেন্না ঙাঙনদবা মীহুৎ য়াওখি। মোইনা ঙাঙখিবশিংদুসু, ঙাঙদ্রসু য়াবা ঙাক্তা ওইনা তৌখি। লৈবাক্কী ওইবা ৱাফমলোমদদি কয়া লাকখিদে। হন্দক্কীসিনা কমদৌদৌরিবনো খঙদে, হৌজিক ফাওবসিদদি মচিন কাঙদবনা মশীং হেল্লি।

ইপুখোয়, হন্দক্কী ফমখিবা মীফম অদুদা চীংগী লূপ অমনা চীংতগী ওইবা, লৈবাক অপূনবগী মান্দবা বিল অমা পুথোক্তুনা পাস তৌগদবনি হায়না অকনবা প্রেসর লৈখি। প্রেসর লৈনা লৈনা পুথোকখিদে, খন্নখিদে। মদুগী মহুত্তা ফজখ্রবা বিল অমা পুথোক্তুনা চীংমী মীয়ামগী য়াইফনবা ৱাফম কয়া অমা নৈনখি। বিল অদু পুথোক্তুনা পাস তৌগদবনি হায়বগী ৱাফমদা নেসনল হায়ৱে বন্দ তৌশিনখি। বন্দ য়াম্না কনখি। মদুগী মখা তারকপদা কম্যুনিতিগী লেভেলদা কুমথরক্তুনা য়াম্না ফজদবা মায়কৈ অমদা লাক্লে তৌবগী ফীভম অমা ফাওবা লৈরুরে। চীংগী লূপ অদুগী ওফিস ফাওবা ছো লোনশিন্দুনা অদুগুম্বা কম্যুনিতি মশেলগী মরক্তা নুংঙাইরোইদবা অমদি নাকল অমত্তগী ওইবা ফিরেপ লৌদুনা হায়ৱে বন্দ তৌবা য়ারোই হায়দুনা অকনবা ৱার্নিং তৌখি। লোয়ননা কাউন্টর ব্লোকেদ তৌশিনবা হৌখি। মদুদগী চীংগী মফমদা চৎপা তম্পাক্কী মরাইবক থীবা গাড়ী মৈ থাবা হৌখি। ইপুখোয় ফীভমসি লুশিল্লকখি। হৌজিক য়ানখ্রে। ব্লোকেদ হন্দোকখ্রে, কাউন্টরসু তৌখ্রে। অদুবু কন্দিসন খরদি লৈনরি তারি। চহী লিশীং কয়া পূন্না খুন্দামিন্নদুনা লাক্লবা ইরৈবাক ইরমদম অসিবু তোখায় তান্নবগী য়ূম্ফম অমা থোনজিনগে হায়বসিবু মরৈবাক নুংশিবা কনানা য়াফম থোকপগেনে ইপুখোয়। নশু সী এমনা হন্দক ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমসিমদি খুবাক খুদুনা পূক্লিং থৌগৎনীংই। মীয়ামগী অয়াবা লৌগনি, য়ারগনি, এ দি সী বিল পুথোক্কনি, য়াদ্রগদি লমদম অসিদি লৈবাক মীয়ামগীনি কৈসু তৌবা ঙমদে হায়সিবু ইপুখোয় ফজদ্রনে। মমাঙগী এসেমব্লিদা হায়খি হায়দুসু, মীয়ামগা খন্নরগা পুথোক্লে হায়বনি। লৈবাক মীয়াম পূম্বনা মশাগী খূৎয়েক পীরগা য়াই/য়াদে হায়দবৈ ৱানি, লৈবাক কিবগী ৱাসি কনামত্তনা য়াদে।

মরকসিদা ইপুখোয়, য়াম্না নুংঙাইতবা পাউসু লৈরিদা। কুকিলেন্দ অমগী দিমান্দ মপূং ফানা তাল্লকত্রিঙৈগী মমাঙদা মখোয়গী অপাম্বশিং অদু মপূং ফানা পাঙথোক্কদবনি হায়বা ‘ধপ’ কসু তৌরক্লিপোৎনি। কৈনোনে তৌরিসিবো ইপুখোয়। ময়ামসি কৈনোমা তৌরেনে। মশা মশাগীতা সুম সুম য়েংলম্বদগী চীংদা থাদদৌবা ময়াম অমা মরন্নাই ফুরিৎখাওদা চঙহন্নখ্রে, সিসু মখোয় মশেলনা হায়নবা ৱানি, ঐনা হায়বা নৎচদেকো ইপুখোয়। মশা মশাদু মবুক পিক পিক থল্লকানসিদনা অমুক মানা মানা লৈরিবা লমদু পট্টা শেৎতোল্লগে হায়না ইরাং তৌরক্লিসিবু, চৈ নিরিরা নৎত্রগা মীশি মীনা য়াওদৌবা ইরাং নীরিরা খঙদ্রেনে। মতাংসিদা ইপুখোয়, নীংশিংবা য়াবা থৌদোক কাউঙমদনা লৈ। মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়না মীওই ১৮না মশাগী য়াইবী থৱায় কৎখিবদুবু ফাগিরো? পাউজেল ওইনা অথৌবশিং অদুনা তুংলমচৎকী মীয়ামদা পীরম্বনি, মদুদগী হেনবা কয়া কয়া লৈখিনি হায়বসিবু করিগী খঙদ্রিবনো?

ইপুখোয়নবুদি য়াম্না কন্না হোৎনবীরম্বা, চেকশিন্না তাশিন খোমজিন্দুনা ঙাক শেনবীরম্বা নরৈবাক নরমদম অসে, মৈগী চীংদু ঙাইরে। মনুংদা মনিল ফোং ফোং কাখৈ ওমখৎনদুনা লৈরে। নোংমা ফুঙ লাওনা পোকখায়রকপা শোয়রোইকো ইপুখোয়। ইপুখোয়না তারদি ৱাবু ৱারৌনি, নশুদি মফমসি থাদোক্তুনা কাইদনোমা চৎনীংলবনি, হায়দি য়ূমগকসি অতোপ্পা ষ্টেট অমদা হোংলগা লৈনীংলবনি। অদুবু ওইরোইদবা, ঙম্লোইদবনিনা, য়ৈশিন্দনা লৈরবৈ ৱানি। য়াম তনখ্রজাৎনিকো ইপুখোয়। য়েংলু য়েংলুবা খুদিংদা, ফজবগী ফজবা ঙাক্তনি, পূক্লিং হুনা নীংথিজৈ গাইনা অহল লমনশিংনা শৈরেংদা করিদা পংথাদা শৈথানরম্লবসু হৌজিক্তি য়েংখি য়েংখিবা মায়কৈদা মীৎসে নাবনা লোইরে। য়েংনীংদবনা লোইরে। মীসু মীদি মাল্লগা, মী অমত্তা ওইদ্রে। মতাংসিদা ইপুখোয় ফজবা ৱারী অমা নীংশিংলকই। কৈ অমখক্লা, তাইবঙ মী হায়বদু চাদবা কুইরে, চামন্দদনা ময়াং কংলে, অদুনা অশেংবা তাইবঙ মী তগৎ তগৎ তেকপা অমতা চাগে হায়দুনা কোয়থি থিবা থোরকই। উচিন নাচিন্না মী অমা থেংনরে, মীদু ফারে, চারগে হায়না তৌবা মতমদা মীদুনা হায়রে, ঐহাক অরুবা থবক খরা লোইশিল্লমগদবা লৈরি অদুনা মদুমতা লোইশিল্লমখিগে, অদুগা ঐ নঙগী ননাক্তা লাক্লে, মদুদা ৱাখল তানা চাবীরো হায়না হায়রে। কৈনা মীদুনা হায়রিবা ৱাদু মুন্না তারগা, নঙ লাক্তি লাক্কদরা হায়না হংই। মীদুনা শোয়দনা লাক্কনি, ঐ ৱাশক্লিবসিনি হায়না হায়রে। কৈদুনা ফরে অদুদি নঙ থবক্তু লোইশিল্লুরো অদুগা নঙ শোয়দনা লাক্কদবনি হায়রগা থাদোকখ্রে। কৈদু মতিন তাবা মখৈ মীদুবু য়েংদুনা লৈহৌই। হায়নখিবা মতম ঙাইবা ওইনা কৈদুনা মীদুনা তৌরিবা মতৌ অদু লোন্না লোন্না য়েংলি। অদুগদি তাইবঙ মীদুদি মী অমা ওইবগী শাজৎ লিচৎ, পুকচেল শেংবা, মীনুংশি খঙবা, মথৌ মশক খঙবা অমত্তা ওইরমদ্রে। কৈদু সুম সুম মীদুগী মতৌদুদা তনশিল্লকপা অমা য়াওরে। মীদুদি হুরানবগী থবক, মীবু মাঙহনবগী, মশাগী মরমদম্বু মথোং মরম খঙহন্দনা থম্নবগী থবক্তা য়াম্না থৱায় য়াওনা, মরন্নাই ওইনা তানশিল্লগা লৈবদু উরে। নোংমদি হায়নখিবা থানখিবা মতমদু য়ৌরদুনা মীদু কৈদুগী নাক্তা লাক্লে। মীদুনা কৈদুদা - কৈ ঐবু চারো, হায়নখিবা মতমদু য়ৌরে হায়রবদা, কৈদুনা শুগৎলগা - হুম ঐ নঙবু চাবা পামদ্রে, ঐদি অশেংবা মী অমা চানীংবনি, নঙদি মী মানবগী ৱানি, অশেংবা মী নত্তে। অদুনা ঐ নঙবু চাররোই, অশেংবা মী অমা থিরুখিগে হায়রম্মগা কৈদু চৎখ্রে হায়বা ৱারী অমা নীংশিংলকই। তশেংনমক ঐখোয় তাইবঙ মীওইবসি মীদি মাল্লগা মী অমত্তা ওইদ্রে ইপুখোয়। হেক উরিবা মীশিংসে, মী অমত্তা ওইদ্রে। কোট লিৎলগা, টাই পুল্লগা শাহেব শাবা ঙাক্তা ঙাইরে, শাহেবসু ওইদা, মশাগী শক্তমসু য়াওদা, ওন্থোকপা জিব অমা হায়দু ওইরে। অদুনা তল্লে। ফরে ইপুখোয়, লমদমসিবুদি মথোং চাদবা পাউ কয়াগী শুংফম ওইরবা ফেক্টরি অমগুম্বনি। মীরমচৎ য়াওদ্রবা, হেক পোকচবা মচানুপীবু নত্তবা মীৎয়েং য়েংই হায়গুম্বা য়াম্না নাতে চাদবা ৱা য়াম্না লৈরি, মদুগুম্বা পাউগদুদি ঐ ইপুখোয়দা তমজদ্রবনি, য়াম্না লৈখ্রজাৎনি। ইপুখোয় ফরে, ইপুখোয়সু হনবীরো, নুংঙাইনা লৈবীয়ু, মপু মাগী নাক্তা লেঙদনা। মথং কুমওন লাকপদা পাউদম খরা তমজগেকো ইপুখোয়।

**-নখোয়গী নশু অমা ●**

# ইশাগীখক লন-থুম লেপশিনবদগীদি হিংমিন্নবনা হেন্না পামজৈ

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

ঐহাক ঙসিদি মী অমা হায়বদো ওইবা ঙমজরে কনাগী মপালদগী ইমা-ইপা অমদি ইচিন ইনাওশিংগী মপালদগী। ঐহাক্কীসু ইয়াম্বশিংগুম ইচা লৈজৈ, মখোয় মরিনি - নুপী অনী, নুপা অনী। অদুম ওইনমক মখোয়গী তুংগীনি খন্দুনা ঐহাকসু ইরমদমদা ইমুং কয়ানা তৌনরিবা মাগী মাগী মচাশিংগীনি হায়দুনা লন-থুম লেপশিল্লিবা, লৌ, ইঙ্খোলনচিংবদি লেপশিনবা ঙল্লগা মহাকপু মী অমা ওইনবা শেন্বীরকপা মমা-মপা নৎত্রগা মচল-মচেবুদি ইরায় লায়না শেল লৈতে হায়দুনা কাওথোকপীবা, থৌশাবীদবা অদুমক্তি ঐহাক ঙমজদে। ঐখোয়না মী অমা ওইরবদা ঐখোয়বু মী অমা ওইনবা শেন্বীরকপা ইমা-ইপা, ইচিন ইনাও অমদি ইচল ইচেশিংগী হোৎনবীরকপা খুদিংমকপু কাউথোকপীরগা ইশা-ইশাগীদমক নৎত্রগা ইচাশিংগীদমকনি হায়দুনা লন-থুম, লৌ-ইঙ্খোল পেনবা লৈতনা লেপশিনবদি অপীকপা ৱাখল্লোলনি হায়না খল্লি।



ঐহাক্কী ৱাখল্লোলদদি ইচাশিংবু মী অমমম ওইনবা শেন্বদি মমা-মপা ঐখোয়গী ইথৌনি। অদুম ওইনমক ঐখোয়না মখোয়গী তুংগী খন্দুনা লন-থুম ময়াম অমা লেপশিনবীবা হায়বসি মখোয়দা অফবা ওইদে। লন-থুম ময়াম অমা লেপশিনবীবা থোক্লবদি মখোয় থবক শুনীংলক্তে, মহৈসু তম্নীংলক্তে, লন-থুম ময়াম অমা লৈরে হায়দুনা। মরম অসিনা ঐহাক্কী ওইনদি মখোয় মখোয়না মী অমমম ওইদুনা মশাগী মখোঙনা লেপচবা অদুনা হেন্না পামজৈ।

ঐহাক্কী পুন্সিদসু অসুম্না থোকই। ঐহাকপু শেন্বীরকপা নৎত্রগা ঐহাক্কীনি হায়বদা শমলাং অমগী লন-থুম লৈরক্তে। ইশানা হোৎনজদুনা লৈজবা ঙাক্তনি। ঙসি ঐহাক মী অমা ওইরে, অঙাংশিং শেম্নবা, ইমুং থাক্লবা শেল কোন্নবা তানবা ঙল্লে, লোয়ননা অতোপ্পা লৈবাক অমদা কম্পিটিসনগীনি খঙদে, কোয়বা চৎপনি খঙদে চৎনীংবা মফমদা য়ৌরুবা ঙল্লে শেলগী অদুক অৱাবা তাদবীদা। অদুবু ঐহাক্লা ঙমজরিবা পূম্নমক অসি ঐহাক্কী ইয়াম্বশিং অমদি ইচেশিংগী ইমুংনদি ঙমদ্রি। মসিদা ঐহাক্লা ইশাগীখক নৎত্রগা ইচাশিংগী খক খন্দুনা লন-থুম অমদি শেলনচিংবা পৈশিন্দুনা, লেপশিন্দুনা ইয়াম্বশিং অমদি ইচেশিং অসিগী করিসু তৌবীদ্রবদি ঐহাকসে হৌরকফম খঙদবা, ঐহাকপু শেন্বীরকপা ইমা-ইপা অমদি ইচিন ইনাওশিংবু মশক খঙদবা অমদি মখোয়গী তৌবীমল খঙদবনি হায়না লৌজৈ।

মরম অসিননি হন্দক ঐহাক্লা ইরমদম কংলৈপাক্তা থোরকপসিদা হান্না তৌবা ঙমখিদ্রবসু হৌজিক্তি ঐহাক্কী ফীভম খরা ফগৎলে খন্দুনা ঐহাকপু শেন্বীরকপা ইচেশিং অমদি ইয়াম্বশিং অসিবু দার্জিলিং, কোলকটানচিংবা মফমদা কোয়বা পুবিগে খন্না লাকখিবা। অদুবু লাইবক থীবদি ঐহাক্লা কোয়বা পুবিগনি হায়না হায়খিবা ইচে অহলসু মমাঙ চহীদা কোভিদ-১৯না লৈখিদ্রে। অদুগা ইচে য়াইমসু য়াম্না শোনবনা য়াওহন্নীং-য়াওহন্নীং য়াওবা ঙমদ্রে।

মমাঙ চহীদা কোভিদ-১৯ নাবদগী অঙম্বা শেল পুথোক্তুনা লায়কন্নখিবা ইতৈমা অহল অমদি য়াইমসু মশা শোল্লি, প্লেন তোংবা কিজৈ হায়দুনা য়াওবা ঙমদ্রে হন্দক কোয়বসিদা। ইয়াম্বা য়াইমসু মহাক্কী থবক্লা চিনমনখিবনা য়াওবা ঙমদ্রে। অদুগা ইয়াম্বা অহলনা ফ্লাইট টিকেটসু, হোটেলসু লোইনা ককশিল্লুরগা য়েৎ থংবা মীৎ ওপরেসন তৌবদগী ডাক্তরনা চেক-অপ তৌবগী নুমিৎকা ফাংজিন্নবদগী য়াওনীং-য়াওনীং য়াওবা ঙমদবনা লৈহৌই। অদুবু ইয়াম্বা অহলসু, য়াইমসু ঐহাক্কী টাইৱানগী য়ূম লৈবগী শেল হেক হুনবা লোইবদা টাইৱান্দা ইয়াম্বশিং লোইনা পুবীগনি হায়বা অদুদদি শোয়দনা য়াওগনি হায়।

মরম অসিনা হন্দক্কী দার্জিলিং অমদি কোলকটা খোঙচৎ অসিদা ইয়াম্বা অহুমশুবা, ঙাঙবম ইবোচা, অহুমশুবা ইতৈমা অমদি ইয়াম্বশিংগী ইচানুপী অমগা ইশু অহুমগা ওইনা চৎলে। খোঙচৎ অসিদা লৌশাংখোঙদগী ইনাও ৱাইরোকপম নবকান্তসু য়াওরি। মহাক্লা কোলকটাদা থবক তৌদুনা লৈবনিনা কোলকটাদগী চথোক চৎশিন খরা খঙবনিনা ঐখোয়গী মতেং পাংবীবা ওইনা ঐখোয় নিপাল পূন্না চৎমিন্নরে। ৱাইরোকপম নবকান্ত কোলকটাদা থবক তৌদুনা লৈবনি। মহাক ঐহাক্লা করিসু থোক্লবা নত্তে। অদু ওইনমক ইনাও অসি ঐহাকপু য়াম্না ৱাংনা থাঙ্গৎপীবা ইনাও অমনি। মহাক্লা ঐহাক্কী পুন্সি খোঙচৎ অমদি ৱারী টি ভিদা থেংনদুনা তারবা মতুংদা ঐহাক্লা ইজবা ঐহাক্কী ওটোবাইওগ্রাফি লাইরিক অদু স্পীদ পোষ্টতা ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরদগী চেন্দুনা চেমাই অমত্তা কান্দনা পাখিবনি। মহাক্লা মতম কুইনদগী ঐহাক্লা অমুক্তং উনজরবদি হায়না খঞ্জদুনা তাঞ্জা অমা ঙাইজরকপা কুইরবনি। নীংবু নীংলবদি, হোৎপু হোৎনরবদি ফংবা ঙম্মী হায়নবগুম ঐখোয় অনী উন্নদ্রিঙৈদা ৱারী ৱাতাই শানদুনা মখোয়গী লৌশাংখোঙ খুঙ্গংদসু চৎতুনা মহাক্কী ইমা পাবুং, অহল লমনশিং, ক্লবকী মেম্বরশিং অমদি শান্নরোয় নহারোল কয়া অমগসু উন্নরুরে, ৱারী শানরুরে হন্দক্কী ইরমদমগী খোঙচৎতুদা। হৌজিক্লা উন্নবতা নত্তনা ইনাও নবকান্তসে দার্জলিংদসু কোয়বা চৎমিন্নরে ঐহাক্লা ঙমজবা মতেং পাংসিন তৌদুনা। মহাকসু য়াম্না হরাওজরে ঐহাকপু উন্নবদা অদুগা ঐখোয়সু মহাকপু উন্নবদা য়াম্না হরাও নুংঙাইনা চৎমিন্নরে।

ঐখোয় ইমুংগী ওইনদি ঐহাক্লা পুবিদ্রবদি মখোয়দি অসুম্না কোয়থোকপা হায়বদুমদি ওইদ্রে শেল লৈতবনা। মরম অসিননি ঐহাক্লা ঙমজবা মওংদা মখোয়বু মতেং পাংবীদুনা পুবিরিবা। মসিনা ইতোমতগী খন্দুনা শেল তুংশিনবদগীদি মখোয়বু পুবিবা অসিনা হেন্না নুংঙাইবা ফাওজৈ ঐহাক্কী ওইনদি। মসি শেলগী ৱাফমখকসু নত্তে খল্লি। অসুম্না মখোয়বু কোয়বা পুবি হায়দুনা শেল পায়বগী ৱাফমদি নত্তে, মতম খরা চঙনা শেল তুংশিনজরগা পুবিবনি। দার্জলিংদা নুমিৎ নীনি অদুগা কোলকটাদা নুমিৎ নীনি কোয়গদবনি। ঐহাক্কী ওইনদি ইশাগীতা খন্দুনা শেল তুংশিনবগী মহুত্তা অসুম্না ইমুং মনুংদা অঙম্বা মতেং পীবা অমদি চামিন্নবা, কোয়মিন্নবনচিংবা তৌবদা মখোয়গী মায়থোংদা হরাও তয়াম্বগী মীনোক অসি উবা ফংজবা অসিনা শরুক য়াম্না হেন্না নুংঙাইবা ফাওজৈ। মসি মী মীদুগী ৱাখল্লোল খেন্নবনি হায়বসু য়াই। অদুবু ঐহাক্কী ৱাখল্লোলদদি মতেং পাংমিন্নবা, হিংমিন্নবা অমদি নুংশি চান্নবা লৈমিন্নবা অসিনা হেন্না পামজৈ ইশাগীদমক কা হেন্না লন-থুম লেপশিনবগী মহুত্তা। নুংশিননা হিংমিন্নবনা য়াইফরে। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৮গী পাউখুম

১) **“খানিংপা হোঙনতে মিকোনপা হোঙনতে। খানিং মিকোল আমা তৈপাতি য়িয়ুবা চিঙখোঙ পোইরৈতোন মখুরোনপু কোনপানে।”** ৱাহৈ পরেং অনীসি করম্বা অরিবা লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো? **:- লৌথোরক্লিবা লাইরিক - পোইরৈতোন খুন্থোক (লা.১); সম্পাদন তৌবা - স্বর্গীয় মোইরাংথেম চন্দ্র সিংহ; অহানবা ফোঙবা, ১৯৭৯ ইং, মার্চ।**

২) **“মণিপুরী রাস”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? **:- অইবা - শ্রী খাইদেম লোকেশ্বর সিংহ; অহানবা ফোঙবা, ১৯৭৪।**

৩) মণিপুর মপানগী অইবী অমগী লাইরিকনি **“প্রলয়গী খূৎশোক্তা”** হায়বা লাইরিক অসি। লাইরিক অসিগী অইবীসি কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো? **:- অইবীগী মিং - খোইস্নাম ওংবী বীরলা (আগরটলা, ত্রিপুরাদগীনি); লাইরিক্কী মখল - শৈরেং; অহানবা ফোঙবা, ফেব্রুৱারী, ২০১২।**

৪) **“নিংশিংবগী মীহুৎথোঙদা”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো? **:- অইবা- ডা. মোইরাংথেম নরা; লাইরিক্কী মখল - লমকোই ৱারী।**

৫) **“...মতম অসিদা গম্ভীর সিংহ অমসুং নরসিং অনীমক কাছারদা লৈরি। ইংরেজগী মায়কৈদগী কেপ্তেন গ্রান্টনা ঔৱাশিংবু তান্থোক্লবা মচিন মনাও অনীগী মতেং নীরবদা নরসিংনা ময়াম্বুং গম্ভীর সিংহগা তান্নরগা ঔৱাশিংগী মথক্তা লান্দাদুনা ঔৱাশিংবু মায়থীবা পীখিবগী মতাং অসিদগী হৌরদুনা গম্ভীর সিংহ অমসুং নরসিং অনীনা মণিপুরদগী ঔৱাশিং তান্থোকখি।”** ইতিহাসকী মতাং অসি য়াওরিবা লাইরিক মচা অদু করি লাইরিকনো অমদি কনানা সম্পাদন তৌবনো? **:- লাইরিক্কী মমিং- তিলাইন লান্দা নরসিং; সম্পাদন তৌবী - কে ঐচ সরোজিনী; অহানবা ফোঙবা, ওক্টোবর, ১৯৮১ ইং।**